# হোলিদে সিজন মরক্তা য়ুএসতা কোভিদ কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন কনশিল্লক্লে ওমিক্রোনগী অনৌবা সব ভেরিয়েন্টশিংনা ইনফেক্সন অয়াম্বা থোকহল্লি

ৱাশিংতন, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী):
হোলিদে সিজন মরক্তা য়ুএসতা কোভিদ ১৯ গী কেসশিং, হোস্পিটলাইজেসন অমসুং লায়না অসিগী মীশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী হেল্থ ক্যের সিষ্টেমদা প্রেসর চাওনা লৈরে।



সেন্টর ফোর দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সিদিসি) গী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী অপুনবা কাউন্টিশিংগী চাদা ৪৪ হেনবদা ময়াই ওইরকপদগী ৱাংবা ফাওবগী কোভিদ ১৯ কম্যুনিটি লেভেলশিং থেংনরি। লৈবাক অসিদা নুমিৎ খুদিংগী চাংচৎতা অনৌবা কেস ৬৫,০০০ অমসুং হোস্পিটলাইজেসন ৫০০০ অমসুং লায়না অসিগী মীশি ৩৯০ থেংনদুনা মমাঙগী থা খরগা চাংদম্ন বদা কা হেন্না ৱাংখৎলকপগী ফিভম উরি।

হৌজিক য়ুএসকী সাইট চাদা ৮০ রোমদা ৱেষ্ট ৱাটরগী ছার্স-কোভি-২ গী লেভেল ময়াই ওইরকপদগী ৱাংবা ফাওবা থেংনরি। সি দি সিগী দেটা অদুগী মতুং ইন্না সাইটশিং অদুগী চাদা ৫০ রোম্না রিপোর্ট তৌরিবা ৱেষ্ট ৱাটর দেটা অদুদা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর মতুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা লেভেল খরা লৈখি হায়বসি উৎলি। লৈবাক অসিগী অঙাংশিংগী মরক্তা কোভিদ ১৯, ফ্লু অমসুং রেস্পিরেটরি সিন্সিসিএল ভাইরস (আর এস ভি) য়াওনা রেস্পিরেটরি লায়নাশিংনা নাবা লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি।

মসিনা মরম ওইদুনা ফার্মাসিশিংনা অঙাংশিংগী হিদাক লাংথকশিং লৈবদা লিমিট ফাওবা থমখ্রে। ট্রাইপ্লেদেমিক অসিনা হেল্থ ক্যের সিষ্টেমদা চাওনা প্রেসর পীদুনা হোস্পিটালগী কেপাসিটি হন্থবগা লোয়ননা ষ্টাফ ৱাৎপসু হেনগৎলক্লি।

পব্লিক হেল্থ ওফিসলশিংনা মীয়ামদা মখোয়গী কোভিদ ১৯ বুষ্টরশিং অমসুং ফ্লু সোটশিং অপদেট তৌনবা, কা মনুংদা মাস্ক শীজিন্নবা, মী তিল্লমদাইদা টেষ্ট তৌথোক্লবা অমসুং হোলিদে সিজন মনুংদা ভাইরস শন্দোকপা য়ারিমখৈ হন্থহন্নবা ইমুংদগী হেন্দোক্তনবা আপিল তৌই। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমনা অপদেট তৌবা বাইবলেন্ট বুষ্টর দোজশিংনা কোভিদ ১৯ গী মায়োক্তা অহেনবা প্রোটেক্সন পীবগা লোয়ননা হোস্পিটলাইজেসন অমদি ইন্মর্জেন্সি দিপার্টমেন্ট নত্তুগা অর্জেন্ট ক্যেরগী ফিভমশিং হন্থহল্লি হায়বসি উৎখি। অদুম ওইনমক য়ুএসতা বাইবলেন্ট বুষ্টর শীজিন্নবগী চাং নেম্মী হায়বসি সি দি সিগী দেটানা উৎলি।

চহী মঙা অমসুং মসিগী মথক ওইবা মীওই মিলিয়ন ১৫০ রোম অপদেট তৌরবা বুষ্টর অদু শীজিন্নবা য়ারবসু মখোয়না হৌজিক ফাওবা অপদেট তৌবা বুষ্টর দোজশিং শীজিন্নবা লৈত্রি। কোভিদ ১৯না কন্না নারকপা য়াবগী রিস্ক খ্বাইদগী ৱাংবা চহী ৬৫ অমদি মসিগী মথক ওইবা এদল্টশিংগী মরক্তা মীওই মিলিয়ন ২৮ ইলিজিবল ওইরবসু মখোয়না হৌজিক ফাওবা অপদেট তৌবা বুষ্টর শীজিন্নবা লৈতে।

সি দি সিগী মতুং ইন্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা হৌজিক থেংনরিবা অনৌবা কোভিদ ১৯ কেসশিংগী চাদা ৭০ রোমদি ওমিক্রোনগী অনৌবা সব ভেরিয়েন্টশিং বি ক্যু.১ অমসুং বি ক্যু .১.১না থোকহনবনি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী অপুনবা কেস লোদ মিলিয়ন ১০০ হেনখ্রে। দিসেম্বর ১৭ না লোইখিবা চয়োলদা সর্ক্যুলেট তৌখিবা ভেরিয়েন্টশিং অদুগী চাদা ৩৮.৪ রোমদি বি ক্যু.১.১ ওইখি অমসুং বি ক্যু.১না চাদা ৩০.৭ লোম ওইখি।

ভেরিয়েন্ট অনী অসি ওমিক্রোনগী বি.৫ সব ভেরিয়েন্টগী চারোল শুরোলশিংনি অমসুং ভেরিয়েন্টশিং অসি মরু ওইনা হৌখিবা ওক্তোবরদগী খোঙজেল য়াংনা শন্দোরকখি। ওক্তোবর হৌরকপদা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অনী অসিনা অনৌবা ইনফেক্সনশিংগী চাদা অমরোমনি হায়বসি খঙবা ঙল্লে। নবেম্বরগী ময়াই চনবা শরুক্তা মখোয়না বিএ.৫ কী মহুৎ শীন্দুনা দোমিনেন্ট ষ্ট্রেন্টশিং ওইরকখি।

# অঙাং কয়া শিহনখিবা কফ সিরপ শাখিবা ইন্দিয়াগী মেন্যুফেকচরর প্রোসিকুট তৌনবা খঙহনখ্রে

বোঞ্জুর, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী):
গাম্বীয়াদা য়ামদ্রবদা অঙাং ৭০ শিহনখিবনি হায়না চিংনরিবা কফ সিরপশিং পুথোক্লিবা ইন্দিয়া মেন্যুফেকচরর অমবু প্রোসিকুট তৌনবা ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টরিনা রিকমেন্দ তৌখ্রে।




বি বি সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি চয়োল কয়া ইনভেষ্টিগেসন চথুরবা মতুংদা গাম্বীয়াগী পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি অদুনা হৌজিক লৈবাক অসিদা লৈরিবা মাইদন ফার্মাস্যুটিকেলসকী প্রদক্ট পুন্নমক বেন্দ তৌবা অমসুং ফার্ম অদুগী মায়োক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎপা য়াওনা ওথোরিটিশিংনা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা রিকমেন্দ তৌখ্রে।

ফাইন্দিংশিং অদু মমাঙগী রিপোর্টশিংগা মান্নবগা লোয়ননা প্রোমেথাজিন ওরেল সোলুসন, কোফেক্স মালিন বেবি কফ সিরপ, মেকওফ বেবি কফ সিরপ অমসুং মেগ্রিফ এন্দ কোল্ড সিরপকী হিদাকশিং অসি দাই ইথিলিন গ্লাইকোল অমসুং ইথিলিন গ্লাইকোল য়াওই হায়বগী ইঙ্গিৎ পী হায়না পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিনা মসিগী রিপোর্টতা পনখি।

দাই ইথিলিন গ্লাইকোল অমসুং ইথিলিন গ্লাইকোল অসি মীওইবদা হু ওইবনা চাশিন থকশিনবা মতমদা শিহনবা য়াই। তৌইগুম্বসুং অঙাংশিং অদুনা শিবদগী চপ চাবা সাইন্টিফিক মরম খঙদোক্লনবা হৌজিকসু মখা তানা থিজিল্লি হায়নসু পেনেল অসিনা ফোঙদোকখি।

কম্মিটিনা লৈবাক অসিগী মেদিসিন কন্ট্রোল এজেন্সিবু লৈবাক অসিদা পুশিল্লক্লিবা হিদাক লাংথক পুন্নমক নীংথিনা রেজিষ্টর তৌরে হায়বদু খঙদোক্লবা অমদি কম্পেনিশিং অদুগী ফেসিলিটিশিংদা চৎপা য়াওনা বেকগ্রাউন্দ চেটশিং পাঙথোকহনবসু পাম্মী হায়না পনখি।

রিপোর্ট অদুদা গাম্বীয়াগী হেল্থ ক্যের সিষ্টেমদা অশোনবা কয়া লৈরে হায়না পনবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টদা অশোনবশিংদু য়েংশিল্লগা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা হোস্পিটালশিংদা হেন্না ফবা ইক্বিপমেন্ট অমসুং হিদাক লাংথকশিংসু পীননবা তকশিল্লি। হৌখিবা জুলাইগী অথেংবা শরুক্তা গাম্বীয়াগী চহী মঙাগী মখাগী অঙাংশিংগী মরক্তা একুট কিদনি ইঞ্জুরিগী কেসশিং হেনগৎলকপা থেংনখি।

গভর্ণমেন্টনা মতুং তাবদা অঙাং ৬৯ লোম ইঞ্জুরিশিং অদুনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোরকখি। দব্লিয়ু এচ ওনা মদুগী মতুংদা গাম্বীয়াগী অঙাং কয়া শিহনখিবদু মরু ওইনা মাইদন ফার্মাস্যুটিকেলসকী হিদাক মরিননি হায়না লেপ্পগা লোয়ননা গ্লোবেল এলার্ট অমা ইস্যু তৌখি।

# মেক্সিকোনা পেরুগী মফম তাখ্রবা প্রসিদেন্টগী ইমুংগী মীওইশিং চঙজফম পীখ্রে

মেক্সিকো সিটি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী):
মেক্সিকান গভর্ণমেন্টনা পেরুগী মফম তাখ্রবা প্রসিদেন্ট পেদ্রো কাষ্টিলোগী ফেমিলিদা চঙজফম পীখ্রে। লিমাদা লৈবা মেক্সিকান এম্বেসি মনুংদগী মখোয়না হায়জরকখিবগা লোয়ননা মেক্সিকান গভর্ণমেন্টনা মখোয়দা চঙজফম পীরিবনি হায়না মেক্সিকোগী ফোরেন মিনিষ্টর মার্সিলো ইব্রারনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কেপিটেলদা লাউথোকখি।



ব্রিফিং অমদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি চঙজফম লৌবা পাম্বা মীওই কয়া মেক্সিকোগী এম্বেসিশিংগী মনুংদা লৈদুনা চঙজফম নিরল্লবদি ঐখোয়না মখোয়দা চঙজফম পীথোকই। মসি মেক্সিকোগী মনিং তম্বা অমসুং সোভরেন্ট ৱারেপনি।

ইব্রাটনা মখা তানা হায়খি, মদুদি চঙজফম পীরবা মতুংদা মেক্সিকোনা ইমুংগী মীওইশিং অদুবু মখোয়গী অপাম্বগী মতুং ইন্না অশোয় অঙাম য়াওদনা পেরু থাদোক্তুনা মেক্সিকোদা লাকহন্নবা মেক্সিকোনা পেরুগী ওথোরিটিশিংদা নিগোসিএসন চথুরগনি।

কাষ্টিলোগী লোয়নবী অমসুং অঙাংশিংবু চঙজফম পীবগী ৱাফম অসি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পেরুগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা এপ্রুভ তৌখি। তৌইগুম্বসুং ইম্পিচ তৌবগা লোয়ননা দিসেম্বর ৭ তা ফাখিবা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিদা চঙজফম পীবগী ৱাফমদি য়াখিদে।

পনবা য়াবদি, কাষ্টিলোবু ইম্পিচ তৌবগা লোয়ননা ফাখিবা অদুবু য়ানিংদবা উত্তুনা লৈবাক অসিগী মফম শীন থুংনা শাথিরবা প্রোটেষ্টশিং চথুখিবনি। দিসেম্বর ৭কী অঙনবদা কাষ্টিলোনা কংগ্রেস মুখৎখি। মদুগী মতুংদা লেজিসলেটিব বোদিনা মহাকপু ইম্পিচ তৌবগা লোয়ননা ভাইস প্রসিদেন্ট দিনা বলৌটেবু ৱাশকহন্দুনা মহাক্কী মহুৎ শিলহনখি।

ওফিসল রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না বলৌটেবু রিজাইন তৌনবা কংগ্রেস থুপচিন্নবা, কাষ্টিলোবু থাদোক্লবা অমসুং মীখল ঙন্না পাঙথোক্লবা তকশিল্লদুনা লৈবাক শীন থুংনা চথুখিবা প্রোটেষ্টশিংদা য়ামদ্রবদা দিমোন্সট্রেটর ১৯ শিখি হায়না ওফিসল রিপোর্টশিংদা পনখি।

প্রোটেষ্টরশিংনা পুলিস ষ্টেসনশিং মৈ থাখি, পেরুগী মরু ওইবা হায়ৱে ব্লোক তৌবগা লোয়ননা এয়রপোর্টশিংদা চঙথোক চঙশিন তৌবা থীংদুনা মপানগী টুরিষ্ট চা কয়া পন্দুনা লৈনখি। ভাইওলেন্স অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক শীন থুংনা নুমিৎ ৩০ নি ইন্মর্জেন্সি লাউথোকখি।

# টালিবানননা অফঘান নুপীমচাশিং য়ুনিভর্সিটিদা মহৈ তম্বা থীংখ্রে

কাবুল, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী):
অফঘানিষ্টানগী টালিবান রুল্লরশিংনা লৈবাক শীন থুংনা নুপীশিংনা য়ুনিভর্সিটিদা মহৈ তম্বদা অথিংবা থমখ্রে।

থৌওং অদু হ্যুমেন রাইটসতা অমুকসু শোকহনবা অতোপ্পা খোঙথাংনি হায়রদুনা টালিবানগী ৱারেপ অদুবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কন্দেম তৌখ্রে। হৌখিবা চহীদা লৈঙাক্কী পৱার পায়রকখিবা মতমদা হেন্না শোফ ওইবা রুল লৈহনগনি হায়না থাজবা পীখিবা ওইরবসু টালিবাননা মালেম পুম্বগী আপিল থৌশাদনা নুপীশিংগী পুন্সিগী লম খুদিংমক্তা রেষ্ট্রিক্সন হেন্না থল্লকখি।

মিনিষ্টর ফোর হায়র এদুকেসন নেদা মোহমদ নাদিমনা গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটি পুন্নমক্তা ইস্যু তৌখিবা লেটর অমদা হায়, নখোয় পুন্নমক্তা মখা তাবা নোটিস থোক্ত্রিবা ফাওবা নুপীশিংবু মহৈ মশিং তম্বা লেপহন্নবা খঙহল্লিবা ওর্দর খুদক্তা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হায়রি।

অফঘান নুপীমচা অয়াম্বা সেকেন্দরি স্কুলশিংদা মহৈ তম্বা য়াহনখিদ্রবনি। লেট্টর অদুবু ট্বিটরদা ফোঙখিবা মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্স পার্সন জিআলা হাসিমিনা এজেন্সিদা থাবা টেক্স মেসেস অমদা ওর্দর অদু কনফার্ম তৌখি। ৱাশিংতনগী মায়কৈদগী টালিবানগী ৱারেপ অদুবু কন্দেম তৌখ্রে।

সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কননা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি টালিবানননা অফঘানিষ্টানগী মীওই পুন্নমক্কী রাইটশিং ইকায় খুম্নদ্রি ফাওবা মখোয়বু ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী লিজিটিমেট মেম্বর অমনি হায়না লৌবা য়ারোই। ৱারেপ অসিনা থোকহল্লকপা অফ-ফত্ত পুন্নমক টালিবানগী ওইগদবনি। লৈবাক অমত্তা অপুনবা মীশিংগী তঙ্খায় অমা করিমত্তা তৌহন্দনা ফাজিন্দুনা থল্লগা চাওখৎপা হায়বসি ওইথোক্তে হায়না ব্লিঙ্কননা মখা তানা ফোঙদোকখি। ওইরক্লিবা খোঙথাং অদুনা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনি গুটরেজ পু অদুক্কী মতিক নুংনাংহল্লে হায়না মহাক্কী স্পোক্সমেননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। ষ্টেফান দুজ রিক্কা ষ্টেটমেন্টদা হায়, মহৈ মশিং তম্বা ফঙহন্দবা হায়বসি নুপী অমসুং নুপীমচাশিংগী মান্নবা রাইটশিং ভাইওলেট তৌবদা নত্তনা মদুনা লৈবাক অসিগী তুংগী পুন্সিদা চৈথেং চাওনা পীগনি হায়না সেক্রেটরি জেনরেলনা নৌহৌননা হায়রি।

# মিসাইল এটেক্তা অহুম শিরে

দমাস্কস, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী):
ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা সিরিয়াগী কেপিটেল দমাস্কসকা নক্লবা ফেসিলিটিদা টার্গেট তৌদুনা অহিং নোংয়াইদা চথুখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইক অমদা মীওই অহুম শিখ্রে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ৱার মোনিটর অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুকেদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মতুং ইন্না ভিক্তিমশিং অদু দমাস্কসকী খা থংবা চিদাইদা ওপরেট তৌরিবা লেবানিস খুৎলায় পায়বা গ্রুপ হেজবোল্লাগী থবক তৌবা এজেন্টশিংনি। ৱাটচদোক অসি পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রি, মদুদি ইজরেল্লি মিসাইলশিং অদুনা দমাস্কস ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট অমসুং দমাস্কসকী খা থংবা শরুক্তা লৈবা সয়েদা জৈনট এরিয়াগী শরুক খরা টার্গেট তৌখি। এটেক অদুগা লোয়ননা কুমজা ২০২২ হৌরকপদগী ইজরেলনা সিরিয়াগী লৈবাক লৈহাওদা এটেক ৩২ পাঙথোকখ্রে।

চৈরকসিদা ইজরেল্লি মিসাইল ষ্ট্রাইক অমনা মরম ওইদুনা লান্মী অনী অশোক অপন নঙলে হায়না সিরিয়ন আর্মিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

# ‘পলেষ্টিনিয়নশিং প্রোটেক্ট তৌনবগী ইন্টরনেসনেল কেম্পেইন হৌরগনি’

রমালা, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী):
মশা ঙাকথোকচনবগী পাম্বৈ লৈজদ্রবা পলেষ্টিনিয়ন মীয়ামগীদমক্তা মালেমগী ওইবা প্রোটেক্সন ফঙহন্নবা অচৌবা কেম্পেইন অমা হৌরগনি হায়না পলেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মহমুদ অবাজনা লাউথোকখ্রে।

অবাজনা ৱাফম অসি পলেষ্টাইন লিবরেসন ওর্গনাইজেসন (পি এল ও) গী একজিক্যুটি কম্মিটি অমসুং মহাক্কী ফাটাহ মুভমেন্টগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী অপুনবা মীফম অমা মহাক্না চিয়র লৌদুনা পাঙথোকপদা ফোঙদোকখিবনি।

অবাজনা মীফম অদুদা হায়খি, মদুদি ৱেষ্ট বেঙ্ক, ইষ্ট জেরুসালেম অমসুং গাজাদা লৈরিবা মশা ঙাকথোকচবগী পাম্বৈ লৈত্রবা পলেষ্টিনিয়ন মীয়ামগীদমক্তা মালেমগী ওইবা প্রোটেক্সন ফঙহন্ননবা ঐখোয়না মীপুম খুদিংমক্কী মখোয়গী লিগেল অমসুং পুৱারীগী ওইবা থৌদাংশিং লৌহন্নবগী কেম্পেইন অদু ঐখোয়না হৌরগনি।

ইজরেলনা চথুরিবা ক্রাইমশিংবু উশিন খঙশিন্নদনা মালেম্না তুমিন্না লৈশিল্লিবসি ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু য়াবা ঙল্লোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পলেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খি, মদুদি কেম্পেইন অসিনা ইজরেলগী কাঙলূপ নাইবা থবক থৌওংশিং মায়োক্লগনি। অসিগুম্বা কেম্পেইন অসি ইজরেলদা এক্সট্রিম রাইট-গভর্ণমেন্ট অমা শেম্লক্কদৌরিবসি য়েংলগা চথুরক্কদৌরিবনি।

পলেষ্টিনিয়ন মীয়াম্বু জষ্টিস, ফ্যেরনেস অমসুং প্রোটেক্সন ফঙহনবগী মতম অদু লাক্লে। ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল্লি আর্মি অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা উংখৎনবা ফিভম লৈরিঙৈ মরক্তা অবাজনা ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি। ওফিসল পলেষ্টিনিয়ন ষ্টেটিষ্টিক্কী মতুং ইন্না হৌখিবা জনুৱারীদগী হৌজিক ফাওবদা পলেষ্টিনিয়ন ২০০ হেন্না হাৎখ্রে।

অমরোমদা, হৌখিবা মার্চ ২৭ তগী পলেষ্টিনিয়নশিংনা ইজরেলদা চথুখিবা ওপরেসন কয়াদা ইজরেল্লি ২৭ শিখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা ইজরেলগী হোস্পিটাল অমদা মশাগী চহী ৫০ শুরবা নাসের অবু হামিদ কৌবা মশা নারবা প্রিজনর অমা শিখিবদু অতম্ননা হাৎপনি অমসুং মপুং ফারবা ৱার ক্রাইমনি হায়না অবাজনা ফোঙদোকখি।

# কনফ্লিক্ট, ঈকং থোকপা অসিনা ইথিওপিয়াদা ফুদ ইনসেক্যুরিটি থুনা হেনগৎহল্লে:য়ুএন

অদিস অবাবা, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী):
ইথিওপিয়াগী মফম খরদা কনফ্লিক্ট লৈবা অসিনা ফুদ ইন সেক্যুরিটি থুনা হেনগৎহন্দুনা মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রবা মওংদা লৈবাক অসিগী নোংপোক অমসুং খা থংবা লমদমশিংদা থোক্লিবা ঈকংগী চৈথেং হেনগৎহল্লে হায়না য়ুএননা ৱার্নিং তৌখ্রে।



মোনিটরিং ফুদ সেক্যুরিটি ইন ফুদ ক্রাইসিস কন্ট্রিস ৱিথ কনফ্লিক্ট সেচুয়েসন হায়না মমিং থোনবা য়ুএনগী ফুদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসন অমসুং ৱার্ল্ড ফুদ প্রোগ্রামনা পুথোকপা জোইন্ট রিপোর্ট অমা কনফ্লিক্ট অমসুং ইন সেক্যুরিটিগী ফিভম লাকহল্লিবা লৈবাকশিংগী অরুবা ফুদ ইন সেক্যুরিটিগী ফিভমগী মতাংদা চহীদা অনীরক পুথোকপা রিপোর্টনি।

রিপোর্ট অদুনা ইথিওপিয়াদা কুমজা ২০২২ গী জনুৱারী অমসুং ওক্তোবরগী মরক্তা করম্না কনফ্লিক্ট অমসুং ভাইওলেন্সনা ফুদ ইন সেক্যুরিটি হেনগৎহনবগে হায়বদু উৎলি।

রিপোর্ট অদুনা হায়রি, মদুদি হন্দক্তা ইথিওপিয়াগী অৱাং থংবা অমদি অতৈ লমদমশিংগী মফম খরদা মরু ওইনা বের সঙ্গল, গামুস অমসুং ক্রোমিয়াদা কনফ্লিক্ট হেনগৎলকখিবা অদুনা ফুদ ইন সেক্যুরিটি থুনা হেনগৎহনবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী নোংপোক অমসুং খা থংবা লমদমশিংদা মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা চাংদা থোকখিবা ঈকংগী চৈথেং হেন্না শাথিহল্লি।

মখা তানা রিপোর্ট অদুনা হায়, নোর্দন ইথিওপিয়াগী মফম খরগী ফিভম হৌজিকসু খ্বাইদগী হেন্না নুংনাংনিংঙাই ওইরি। মসি মরু ওইনা হৌখিবা থা খরা অসিদা কনফ্লিক্ট হেনগৎলকপা অমসুং অকনবা ফুদ ইন সেক্যুরিটি থোকহল্লিবা মরম খরা কোকহনবা ঙমদবদগীনি। ইথিওপিয়াদা কুমজা ২০২০ গী নবেম্বরদগী গভর্ণমেন্টগী ট্রুপশিং অমসুং রেবেল টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) পু শৌগৎপা ফোর্সশিংগী মরক্তা শাথিরবা কনফ্লিক্ট অমা থোক্তুনা মীওই লিশিং কয়া শিখিবগা লোয়ননা মীওই মিলিয়ন কয়া য়াম্না থুনা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং পীবা মথৌ তারকখি। নবেম্বর ২ দা ইথিওপিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং টি পি এল এফনা চহী অনী শুরক্লবা কনফ্লিক্ট অদু লোইশিন্নবগীদমক্তা খুৎলায় শীজিন্নবা লেপ্পবগী এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখি।

# কানাদানা মমাঙগী রেকোর্দতগী হেন্দুনা ২০২২ দা ভিজা মিলিয়ন ৪.৮ ইস্যু তৌখি

টোরোন্টো, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী):
কানাদানা কুমজা ২০২২ দা মতম পুম্বগী খ্বাইদগী অয়াম্বা মশিং ওইনা ভিজা এপ্লিকেসন মিলিয়ন ৪.৮ প্রোসেস তৌদুনা মমাঙগী চহীগী মান্নবা মতমদা প্রোসেস তৌখিবা মশিং মিলিয়ন ২.৫ তগী শরুক অনীরোম হেনখি হায়না ইন্মিগ্রেসন, রিফ্যুসিস অমসুং সিটিজনশিপ কানাদা (আই আর সি সি) না হায়রি।



থাগী ওইনা য়েংবদা কানাদানা হৌজিক হান্নদগী ভিজিটর ভিজা এপ্লিকেসন হেন্না প্রোসেস তৌদুনা পেন্দামিক মনুংদা পৈশিনখিবা এপ্লিকেসনশিং অদু শুপ্পগী থা মরিগী মনুংদা এপ্লিকেসন মিলিয়ন তঙ্খায় অমরোম হন্থহল্লে।

হৌখিবা নবেম্বর খক্তদা ভিজিটর ভিজা ২৬০,০০০ হেন্না প্রোসেস তৌদুনা কুমজা ২০১৯ দা প্রোসেস তৌখিবা ভিজা এপ্লিকেসন মশিং ১৮০,০০০ দগী য়াম্না হেনখি। মিনিষ্টর ওফ ইন্মিগ্রেসন, রিফ্যুসিস এন্দ সিটিজনশিপ সোন ফ্লাজরনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টনা পেন্দামিক্কী বেকলোগশিং মিলিয়ন মখায়রোম হন্থহনখি। লোয়ননা চহী অসিদা মমাঙগী রেকোর্দতগী হেন্দুনা ইন্মিগ্রেসন এপ্লিকেসন মশিং অদুক্কী মতিক য়াম্না প্রোসেস তৌখি।

ঐখোয়না পায়খৎলিবা থবকশিং অসিনা কানাদাদা থবক শুবা, ষ্টদি তৌবা, কোইবা নত্তুগা লৈননবা লাক্লিবা ন্যু কম্মরশিংবু মখা তানা তরাম্না ওক্লি অমসুং সপোর্ট তৌরি।

আই আর সি সিগী দেটা মতুং ইন্না এপ্লিকেসন মিলিয়ন ৪.৮ কী মনুংদা ষ্টদি পার্মিট ৬৭০,০০০, ৱার্ক পার্মিট ৭০০,০০০ অমসুং ভিজিটর ভিজা লিশিং চা কয়া য়াওরি।

নবেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা ষ্টদি পার্মিট ৬৭০,০০০ হেন্না ক্লিয়র তৌখিবগা লোয়ননা টেম্পররি রেসিদেন্স কেটগরিগী মখাদা এপ্লিকেসন মশিং খ্বাইদগী য়াম্না প্রোসেস তৌদুনা মমাঙ চহীগী মান্নবা মতমদা প্রোসেস তৌখিবা ৫০০,০০০ দগী য়াম্না হেনখি। আই আর সি সিগী মতুং ইন্না অনৌবা ষ্টদি পার্মিট অয়াম্বা হৌজিক নুমিৎ ৬০ নিগী সার্ভিস ষ্টেন্দর্দকী মনুংদা প্রোসেস তৌরি।

হৌখিবা নবেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা ৱার্ক পার্মিট ৭০০,০০০ নক্লা প্রোসেস তৌদুনা কোভিদ ১৯ পেন্দামিক লাক্ত্রিঙৈ কুমজা ২০১৯ গী মান্নবা মতমদা প্রোসেস তৌখিবা মশিং ২২৩,০০০ রোমগা চাংদম্নবদা য়াম্না হেনখি। কানাদানা মমাঙগী রেকোর্দ থুগায়দুনা কুমজা ২০২১ দা অনৌবা পার্মেনেন্ট রেসিদেন্ট ৪০৫,০০০ ৱেলকম তৌখি। খোঙথাং অসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা থল্লিবা অনৌবা পার্মেনেন্ট রেসিদেন্ট মশিং ৪৩১,০০০ দগী হেনবগী টার্গেট অদু য়ৌগদবা খজিক্তা ঙাইরে হায়রি।

মসিদা নত্তনা পার্মিনেন্ট রেসিদেন্টশিংনা হৌজিক মখোয়গী পার্মিদেন্ট রেসিদেন্ট কার্দশিং রিন্যু তৌবদা হান্নদগী মতম হেন্না তেন্না ঙাইবা য়ারগনি। আই আর সি সিনা কার্দ রিন্যুএলশিংগী এপ্লিকেসনশিং পেন্দামিক্লা মরম ওইদুনা পৈশিনখিবগী চাং চাদা ৯৯ হন্থরকখিবগা লোয়ননা ফিভম অসি লাকপনি।

এপ্রিলদগীনা নবেম্বর ফাওবদা কানাদানা অনৌবা সিটিজন ২৫১,০০০ রোম ৱেলকম তৌখি। মসিনা মরম ওইদুনা সিটিজনশিপ ইনভেন্টরিগী এপ্লিকেসন চাদা ৭০ হেন্না হৌজিক সার্ভিস ষ্টেন্দর্দকী মনুং চল্লি। লেবরগী অৱাৎপশিং কোকহন্নবগীদমক কানাদানা হৌখিবা থাদা অচৌবা পান্দম লৈবা অনৌবা ইন্মিগ্রেসন প্লান অমা লাউথোকখি। প্লান অদুগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২৫ ফাওবদা লৈবাক অসিনা চহী খুদিংগী ইন্মিগ্রেন্ট মিলিয়ন তঙ্খায় অমমম ৱেলকম তৌগনি।

# সাউথ ৱাজিরিষ্টানদা মিলিটেন্টশিংনা পুলিস ষ্টেসনদা এটেক তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানগী সাউথ ৱাজিরিষ্টানগী পুলিস ষ্টেসন অমদা খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্ট কয়ামুক্না এটেক তৌদুনা নোংমৈ অমদি এম্যুনেসন লূট তৌরগা মফম অদুদগী নাম্থোকখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

এটেক অদু চথুখিবা মতমদা পুলিস ষ্টেসন মনুংদা লৈখিবা ওফিসল অমা ওইরিবা রেহমন ৱাজিরগী ৱারোল পল্লদুনা দোন ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়, রোকেট লোঞ্চরশিং অমসুং অতৈ অচৌবা খুৎলায়শিং পায়বা মিলিটেন্ট কাঙবু অমনা ৱানাদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অদুদা নম্ফুদা থোমজিনখি। মমাঙ থংবা গেট বোম পোকখায়হন্দুনা থুগায়রবা মতুংদা মিলিটেন্ট ৫০ রোম ষ্টেসন অদুদা চঙশিনখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। মিলিটেন্টশিংগা মায়োক্লবদা মশিং য়াম্না নেল্লবা পুলিস পর্সনেল ২০ লোম্না মতম খরদি এটেক্করশিং অদুদা অথিংবা পীখিবা ওইরবসু মতুং তাবদা ষ্টেসন হাউস ওফিসর য়াওনা পুলিস পর্সনেলশিং অদু মখোয়না হোষ্টেজ শিং ওইনা ফাজিন্দুনা থমখি হায়না অতোপ্পা পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

সোসল মেদিয়াদা থাগৎপা ভিদিওশিংদা নুমিদাং অথেংবা পুংমম মম্বা মতমদা ষ্টেসন অদুদা রোকেট অমসুং গ্রেনেদ কয়া পোকখায়বগী শক্তমশিং উবা ফঙখি। এটেক অদুগী মতুংদা মিলিটেন্টশিং অদু খুৎলায় ময়াম পুরগা পুলিস ভেন অমা তোংলগা মফম অদুদগী চেনখি। লোকেল পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা মিলিটেন্টশিং অদুনা ষ্টেসন অদুদগী একে-৪৭ রাইফল নিপান পুখি। থৌদোক অদুদা পুলিস কন্সটেবল অমা শোকখি অমসুং মিলিটেন্টনি হায়বা অমা পুলিসনা কাপ্পদা শিখি।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না মিলিটেন্টনি হায়রিবা খুৎলায় পায়বা মীওই অদু ফ্রন্টিয়র কোর (এফ সি) গী পর্সনেলশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদা শিখিবনি। মতুং তাবদা মহাক্কী হকচাং বগিচা এরিয়াদগী রিকোভর তৌখি। পুলিস ষ্টেসন অদু এটেক অদুগী মতুংদা এফ সিনা ঙাইহাক পায়শিন্দুনা থমখি। তৌইগুম্বসুং মতুং তাবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিলদা পুলিসতা অমুক শিন্নখি।

# কার্লিফোনিয়াদা মেগ্নিট্যুট ৬.৪ গী চাংদা য়ুহা হাদুনা মীওই ২ শিরে, ১১ শোক্লে

লোস এঞ্জেলিস, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী):
নোর্দন কার্লিফোনিয়াগী য়ুরেকা এরিয়াদা মেগ্নিট্যুট ৬.৪ য়ৌনা য়ুহা কন্না হারকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ ১৩ অশোক অপন নঙলে হায়না য়ুএস জিওলোজিকেল সর্ভে (য়ু এস জি এস) না ফোঙদোকখ্রে।



য়ু এস জি এসকী মতুং ইন্না য়ুহা অদুনা মরম ওইদুনা য়ুম কৈ অমদি বিল্ডিং কয়া অমাঙ অতা থোকখি অমসুং মীওই লিশিং কয়া ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাইগী খুদোংচাবা ফঙখিদ্রে।

য়ুএসজিএসনা হায়রি, মদুদি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী লোকেল মতমদা অয়ুক ২.৩৪ তাবা মতমদা থোকখিবা য়ুহা অদুগী ইপিসেন্টরদি হুম্বোল কাউন্টিগী মী ১২,০০০ রোম তাবা সিটি মচা অমা ওইরিবা ফোরচুনাদগী মাইল ১৫ রোম লাপ্পা পেসিফিক্কী মফমনি। হুম্বোল কাউন্টিগী সেরিফকী ওফিসনা ফোঙদোকখিবদা য়ুহা হারিঙৈ মনুং অমসুং মতুংগী মেদিকেল ইন্মর্জেন্সিশিংনা মরম ওইদুনা মীওই অনী শিখি।

য়ু এস জি এসনা হায়রি, মদুদি অহানবগী অচৌবা য়ুহা অদুগী মতুংদা রিক্টর স্কেলদা ৪.২ য়ৌবা আফটর সোক তরাগী মথক্তা থোকখি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা হুম্বোল কাউন্টিগী অপুনবা কষ্টমর ৯৯ গী মনুংদা কষ্টমর ৭০,০০০ হেন্না ইলেক্ট্রিসিটিগী খুদোংচাবা ফঙখিদে। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী য়ুহা অদু কুমজা ২০২১ গী দিসেম্বর ২০ দা হুম্বোল কাউন্টিগী কেফ মেন্দোসিনোগা নক্লনা মেগ্নিট্যুট ৬.২ গী চাংদা য়ুহা হাদুনা মফম অদুগী বিল্ডিংশিংদা অকায় অতোই খরা থোকহনখিবা মতুং চহী ১ কান্নরগা থোক্লক্লিবনি।